

“পুন্সি বীনা অসিদা অতৣপা শৈতনা খোরকপা
অনৌবা সুর, অনৌবা ছন্দ অমসুং অনৌবা অক্ষর
অসিবু জীবন কৌই।”
- এলাংবম নীলকান্ত (অচাইবা লৈ)

## অনৌবা মপাউ

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

লমতা থানা খাইনবিরল্লবদা
শজিবু নোংমা পানবসু
লাক্লে অমুক হৱাউ
মোমোন মীনোক তল্লদুনা।

কুম অমগী অনৌ অপেন
কয়াবু খোইয়ূম মাগী
মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা।

অনৌবা চহীনা লাকপদা
অফবা মঙ্গল পীবিরম্নবা
মপূ মাগী খুয়া খাদা থৌনিজরি।

অনৌবা মচু কয়াগী
ফিজেৎ লৈতেংগা লোয়ননা
চীংয়া তময়া পূম্বা
হৈপাল-লৈপাল খুদিংমক
কুম অসিগী অনৌবা
মপাউ তল্লরি।

তাইবঙ মপূগী নীংথিজরবা
চীং, পাৎ, তুরেল
লোয়রোই, লোয়রোই
শীংথাবনা লোইরোই
মপূ মাগী শক-গুণ
শক শোন্দুনসু।

## লোইশিনখিদ্রবা লাঙওন অমৈ ৱারী

—ডা. শান্তিবলা শমুরাইলাৎপম

তম্নলাই ওল্লকপদা ৱারীনা
লোইশিনখিদ্রবা লাংওন অমৈ।
ওৎলি লেপ্তুনা অহিং নুংথিল
খাংঙমদনা খল্লক্লে খমখ্রসনু।
চনশিল্লগে লৈরোন্নুং অকাউবৈ
থম্মোয়সে ওলহল্লে থৌদুনুং।
থদৎলদুনা মতৎ মতৎ
শেগাইরদুনা মচেৎ মচেৎ
তম্নলাই ওল্লক্লবা ৱারীদো।
চৎলুরে তাম্ল চীংয়ামৈ
চীল্লবা লৈকোল অমদা।
পুদুনা চোকথরবা ইখোঙনা
চনশিল্লে লোইশিনখিদ্র ৱারীদো।
অকাউবৈ মমল’ লৈরোন্নুং
কুপশিল্লদুনা লৈরোন মপৈনা।
অমুক হিঙ্গৎলক্তনবা লাংওনশিমৈ
ইনুংদুমা হৌখ্রে অদুম্মক।
লাংতক্লুর থৱায় হকচাং
পুদুনা চৎলুই, য়েংনীংলুই।
লৈরোল চনখ্রবা তম্নলাইদো
ঙকখি ককঙাওনৈ ঐ।
উরুবদা তদেক তদেক
মপোপ কাইদ’ লৈরম্বদো।
চোঙখৎলদুনা মোংফম থক্তুদা
ওল্লদুনা নীংথির’ লৈপরেং
লোইশিনখিদ্রবা লাংওন অমৈ ৱারীদুনা।

## কায়খিবনা হানবা তারে মালেম

—সৌবাম সোৱিতা

নঙ-ঐগী মঙলান
অরেম্বা তাহনগুমসিকো
নঙনা পূমহেন হেল্লি নুংশিবা
নঙনা পূমহেন হেল্লি পাম্মুজবা।
অদো -
হায়নৈ মীয়াম্না
প্রলয় লাক্কদৌরে
মালেম তুমগদৌরে
শোয়দনা লাকঅনি মতমদো
লৈবাক্লা দোশি ওই
ঈশিংনা থাউবু ওইদুনা
মালেমসে তুম্না চাক্লনি।
লাক্লনি সত্যযুগ
লোইরবনি হৌজিক কলিযুগ
অদুদি করম্মাইনা তৌনি ইবান্নি
নঙসু চহী কুম্নাথোই শুরে
ঐসু চহী তরানিপাল মপূং ফারে
চৎলসি ইবান্নি নুংশি পম্বুং লম্বীদা।
নত্তদুনা-
চৎহৌদবা তারবদি ইবান্নি
থুংনহৌদবা তারে নুংশি পম্বুং
কায়খিবনা হানবা তারে মালেমসে
ইবান্নি ৱাখল অমদি খন্নহৌসি
করিগুম্বা কায়খিবা তারবসু মালেম
ইবান্নিগী য়ূম অমদি শাহৌসি মালংদা।
নৎত্রগনা গ্রহ অমদা ইবান্নিগী মফম’মা কলহৌসিরা
নঙসু পৈশা তুংশিল্লো
ঐসু পৈশা তুংশিল্লগে-কো
অতৈগীদি খঙদে,
নঙ-ঐ কায়নদ্রগা লোইরে
অসুক নুংশিনরগা থুংনদবা ঙম্মোই ঐদি।
ঐনা হায়রিসিবু নঙ য়ানীংদব্রা?
পীক্লিঙৈদগী চাউননবা য়োকপিরকই
ইমা-ইপানা ঐখোয়বু
উচেক মপীনা মচিঞ্জাক পুরকই
ময়ানা চিক্তুনা মচাগীদমক
ফারক্লবা মতমদা কাংদোঙ
মানা-মানা থোকপা পাইদুনা চৎনখি
ঐখোয়সু অদুগুম্বা নৎত্রনে?
নঙ-ঐ তূফাং খপ্পা পাইমিন্নরসি
শেন্নসি নঙ-ঐগী অনৌবা ফূরা মালংদা
লৈমিন্ননবা পুন্সিগী লেঙদনা
শাসি চেকশিন্না অকনবা নোংলৈনা হুমদনবা
শাফু কল্লবা ঈরৈনসু চেন্থদনবা
শারসি নঙ-ঐগী পম্বুং ফূরা
নৎত্রবদি -
কায়খিবনা হানবা তারে মালেম।

## অথোই অহেন তান্নবা

—এম নিলকুমারি

লমজেল তান্নরি মীয়াম
শুপ্নগী ’মখক্কী মীয়ামগী
ডাক্তর, উকিল, শৈশকপা-শৈপানবা তাবুনুংগী
থৌনা ফবা ঠিকাদার বাবু শাবা ৱাত্তবা;
মমিং চৎলি লমজেল য়াওরি
খাউজাও য়াল্লি।
হুমাং কাংনৈ অফবনি-অচুম্বনি ফজবনি হায়নবা,
চেনমিন্নৈ লমথাফমদগী লমথুংফমগী
ৱারীগী ৱারীনি ময়েক অমমমগী
মশাগী মরেপকী নেম্বগী ৱাংবগী খল্লুদে।

মৈরি অমদি চাকহৌরি
মরৈ চাম্মা লোংদুনা।
লম্মাংদুগী চিদায়দা
সহরদুগী ময়োলদা
মান্নৈ মান্নৈ চপ মান্নৈ,
মীচং শঙ্গন লাক্লরোই।
পূম্নমক কাউখ্রবনি মৈরিনা মৈৱাইরক্লবদা।
চেন চোঙলম্বা কয়া
খোঙ্গুল মুৎখ্রবরা মুৎত্রিবরা
কনানা কনাবু থাজগনি

লমজেলগী লমথুংফমদি অমখক্তংদুনি
অরোইবা।
অরোইবনা অহৌববু খঙতেন তেনশিলহল্লি
ৱায়েল বিচার শকউদবনা।

## হৌরো পম্বুং য়ৌনবা

—অথোকপম তোম্বা

হৌরবদি হৌরো পম্বুং য়ৌনবা
নুংশিৎনা হুল্লকপদা লোৎকে খন্নু
মতম্না পুরকপা মতমগী খোঙচৎ
চীংঙু অচুম্বা অফবা লম্বীদা
নোংলৈসু লাকসনু ব্রজসু তারকসনু
চঙগে খল্লবদি নীংহন্ননু।

ঙাইহাক্কী ৱাখলনা পম্বুং য়ৌরোই
পুন্সিনি তম্বা ঙমদ্রবা
খল্লু তিল্লাং খয়োৎনা
চঙদ্রিঙৈ লানফমদা পুন্সিগী
তিঙ্খাং য়ুনি পূক্লিংদা খন।

নীংজিং মাংজিং খোঙচৎনা
ওইরোই মদুনা অচুম্বা খোঙথাং
লেপ্পু লেংদ্রবা খোঙফমদা
চঙলুরবদি চঙঙু তুংগী মীরোলগী
মায়পাক্লা তাঞ্জমল ফংনবা
ওইনি তুংদা মীংচৎ উরোং।

তাৎকী লাংদা থুবা তারবা
মীংচৎ থমগে খঞ্জবা নপূক্লিং
অরেম্বা তানি মঙলান ওইনি
পাঙ্গল থৌনা ময়েং তানি।

থৌনানা ময়োল চোঙলিঙৈ
হোৎনৌ কন্না মতম পাম্মুদা
ওইগনি মদুনা অচুম্বা থৌশিল
ঙাইহাক ঙাইহাক্কী পাঙ্গল থোক্কনু
খুদি অমুক্তা ঙম্না মাঙখিনি।

## ঐগী অৱাবা

—শ্রীরামেশ্বর লাইশ্রম

ঐদি হিংলি খুন্নাইসিদা,
মাগী থৌদোক-ৱাথোক
মাগী কল্লবা ঈথক ঈপোম,
ঐগী শৈরেংনা নাথৈদুনা
খক চৎপা ঙমদে
মাগা শারোই শাবু ওইদুনা
অসুম চৎমিন্ননীংই।

মতম খুদিং য়েন্নীংতা হুন্দুনা
কুমজা কয়া শংবানদুনতা লৈরিবা
কনাগুম্বগী তনৌরবা শৈরেংশিংগী মায়থোং উরুবগা
ঐনা ৱাজে, পোখাফম খঙলক্তে
ঐগী শৈরেংগী পুন্সিগীদমক।

কয়া কুইনা হিংবা ঙমগদৌরিবা ঐগী শৈরেংনা,
কেমখিগদবা মানা পুন্সি
খাঙঙুথক্কী শিঙ্গারৈগুম খাঙুথক্তা,
মাঙখিগদরা পোমগংনদুনা
ময়োল খুইথরবা লৈপালগুম

লাংতক্লুরকই খোঙ থাংবা তোক্তুনা
কনাগী কাদা চঙলগা
নিগদ্রা ঐগী শৈরেংগী পুন্সি,
খঙ হৈরবা কনাগী থৌজাল ফংলগা
শাংগদরা ঐগী শৈরেংগী পুন্সি।
ঐ ৱায়, ঐ পোখাফম খঙদে
ঐগী শৈরেংগী পুন্সিগীদমক।

## লম্ফেল পাৎকী কোম্বীরৈ

—খ্বাইরাকপম সুনিতা

লাঙ্গোল তরুং মশাইকোন
থোঙাক লাইরেম্বী মশুমাং
ফুমদাওথক্তা কাইদোংলৈ
কুমজা কুমওন লাক্লগা
শিংঙেল লৈরাংখোংবু হুনবা লৈ,
পাখঙ ওইবশিংগী নাপ্পদা চিল্লগা,
খ্বাই-য়াইস্কুল পানা মরি থুংনা
লেন্না লেন্না চৎনিংঙি হায়নবা লৈনি।

লম্ফোল পাৎকী চিদাইদা
নাপী-শীংনাংনা য়োমশিন্না
কনানসু হন্না য়েংবীদনা
নদোম তারক ৱানা হৌহৌবদো
উরুরে নঙবু কোম্বীরৈ,
পেন্দে ঐনা পেঞ্জদে
কনা খঙদনা হৌরম্বদো
ওহ! কোম্বীরৈ, লম্ফেল পাৎকী কোম্বীরৈ।

# লোম্নাই খম্নাইদ্রবা ঈচেলসিদা

## (ইন্দ্রিগী মপাঙ্গল কল্লিঙৈ, থৱায়গী খোঞ্জেল শোল্লি হায়রিবা কবি)



| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | লোম্নাই খম্নাইদ্রবা ঈচেলসিদা |
| মখল | ঃ | শৈরেং |
| অইবা | ঃ | এন বিরেন |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৮ |
| অফোঙবা | ঃ | খোরিরোল শন্দোক লূপ, ৱাংজিং |
| মমল | ঃ | ১৮০/- |
| পাউদন্নিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

**পুন্সি** মশক খঙবা কনাবু য়াওখ্রবগে। হোৎনবদি হোৎনখিবা ঙাক্তনি। অদুবু মসি মওইরে হায়না হায়রম্বদি কনাসু লৈতে। ঐখোয় মীওইবগী হৌরকফম লোইফম অসিদং খঙলগা চৎখ্রবদি পোকপগী মহয় য়াল্লদবনি। অদুবু খঙদ্রিঙৈদা পুন্সি লোমখিবা ঙাক্তনি। লাই উরে হায়রিবা মুনি ঋষিফাওবা অশিবগী খয়াত্তগী খক নাম্থোকপা ঙমদে। গৌতম বুদ্ধনা চহী কয়া চাব মচেৎ, তূম্বা মচেৎ লাই নীংলুরগা শিরমদাইদা লাই লৈয়েসু হায়রমদে, লাই লৈতেসু হায়রমদে। অদুনদি মীচম ঐখোয়না করি ওইরুরনি। ঐখোয়না খঙলিবা হায়ববু ঐখোয় পোল্লকই অদুগা নোংমদি শিখিগনি। অসি মঙায়। অদুবু ৱাফম অসিনা পেম্থোক্তুনা লৈয়ু হায়বদি খক য়ানদে। অদুনা মোন্দ্রং কয়া শান্নরকই। অসুক ফজবা, চৎনরোল অমতা কায়দ্রবা মহৌশা অসি খূৎহৈবা অমনা শেম্বা নত্তনা ওইথোক্লোই খল্লকই। শকউদবা খূৎ অমা লৈফম থোকই লেপ্পকই। মদুদগী লাই পোল্লকই, মদুদগী ধর্ম থোল্লকই, মদুদগী নহাল মপোক, হন্দক মপোক, হয়েং মপোক লোইনা থোল্লকই। মানা মানা থোকপা পঙঙাংদা ঙাঙনৈ। লৌবা য়াব খরা, লৌবা য়াদবা কয়া। পূম্নমকসি মীদগী থোল্লকপা ঙাক্তনি। অদুনা জর্মনগী ফিলোসোফর ফ্রেদিরিক নিৎছেনা হায়, “লাই লৈতে, লৈরসু শিখিবা কুইরে। হৌজিক্তি মী ঐখোয়না লাই ওইরদৌনি।” কন্না মহায়খ্রে। অদুনা মাগী ৱাসি চুম্বগুম তৌরক্লি।

ঐনা ৱাফম খরসি পল্লম্বগী মরমদি পুন্সিবু য়েক্লিবা শৈরেং লাইরিক অমা ঙসি ঐখোয়না পাব ফংলে। মরূ চঙবনি। কবিগী মত য়াম্না ময়েক শেংঙি, লৌবা য়াবা কয়ানি। ফিলোসোফি পূম্নমক্লা য়াগদবা ৱা য়াম্না য়াওরি। মসিদি ঐখোয়গী খোরিরোলদা তাঙনা থোকপা খোঞ্জেলনি। মহাক কনাসু নত্তে, চহী ৪০ হেন্না খূৎ থারক্লবা কবিনি, নোংপোক মায়কৈগীনি, মশাগী লাইরিক ১২ পুথোল্লবা অইবনি, নহাকপম বিরেননি। মাগী শৈরেং লাইরিক ৭ মক পুন্সিবু য়েকপনি, পুন্সিগা মাগা য়েৎনবগী, খৎনবগী খোঞ্জেলনি। করিগুম্বদা তরাম্না ওকই, করিগুম্বদা নীংঙমদা মৈনা চাকই। তেল্লবা পুন্সিসিদা কবিনা পুন্সি মশক খঙলম্নবা অমদি পাউ অমতং তল্লম্নবা কন্না হোৎনরি।

কবি বিরেন চপ য়ুংবা থাজবা অমগী মখাদা য়েংলি পুন্সিবু। হিন্দু ফিলোসোফিগা চাননা য়েল্লকপা মচৎনি। পুন্সি হেক্তা ওইরকপা নত্তে, পুন্সি মরম লৈতনা লাকপা নত্তে, পুন্সি করিসু নত্তে, তাইবঙ মপূগী পাউ পুদুনা লাকপনি, থৱায়না মপূ মাগী মঙালনি। থৱায়গী শেংলবা লম্বী লৈ, থৱায়গী খোঞ্জেল তাগদবনি। মসিনা কবিগী লিক্লমনি। অদুগা সিমসু হায়রি, থৱায়গী খোঞ্জেল ঐখোয় তারুবা শংদে, মরমদি ঐখোয় পূক্লিংগী মনাই ওইরি, ইন্দ্রিগী অপাম্বা থুংনবা হোৎনবনা ইথৌ অমা ওইরি। কবিনা অমুকসু হায়রি, পূক্লিং-লৌশিংগী মচাক লৌশিনগদবা ঐখোয়গী মিৎ অনী অসি ঐখোয়গী মিহুৎথোঙনি, অদুবু ঐখোয়না মসিবু অপাম মিহৌগী মমাঙথোঙ ওইনা শীজিন্নরে। মসিদি লৌবা য়াবা ৱানি। কবিগী ৱাহৈদা, “ইমিৎ অনী পীবিরক্লিবসে/ৱাখল লৌশিংগী মিহুৎথোঙনি/নত্তে, অপাম মিহৌগী মমাঙথোঙ।” (লা: ৪২) অমুকসু হায়, “অথুম্বা মহি থক্কদৌবা খূত্তুনা/হূগী তেঙ্গোৎ থাঙ্গৎলুরবদি/করি ওইবা হৌনবগে।” (লা: ৪৩) অদুনা হূগী তেঙ্গোৎ থাঙ্গৎলুরবা কবি মশানা নীংঙল্লক্তবা উত্তুনা অমুক ইরকই, “ইবুংঙো মহাক্কী শায়োন, হে থৱায়!/নঙবু কয়াম কুইনা লৈখিগদগে/লাইশঙ ওইবা ঙমদ্রবা হকচাংসিদা।” (লা: ৪০) ফজখ্রবা ৱাখল্লোন ঙাক্তনি। কবিগী অচেৎপা থাজবদি শমু হকচাংদি মালেম লৈশাদা তিনখিদৌবনি অদুগা ‘য়াইবী-থৱায়দি’ মাঙবা-তাব লৈতে। শিবা নাইদে।

অতোপ্পা কবিগী থাজবা অমনা ‘পুন্সিগী লেম্ফুদগী হৌরগা/মৈতান্না ৱাখৈবা মতম অদু ফাওবা/নুংশিবগী শাদোংদা তোংদুনা চৎলিবনি।” (লা: ৩৭) নুংশিবনা শেম্বা তাইবঙনি, নুংশিবনা য়ৌগদবা লাইরৈবাক্লি। নুংশিবা য়াওদ্রবা তাইবঙ খনবা ঙমজদে কবিনা। মসিসু লাল্লি করম হায়গনি। নুংশিবনা লৈরাংগুম শাৎপা তাইবঙ অমা শেমসি হায়রবদি ঐখোয় পোৎশক অহুমখক থাজবা তাই, মদুদি অচুম্বা মফমদা অফবা লৈ, অফবা লৈবা মফমদা ফজবা লৈ। গুণ অহুম অসিবু হেক লৈরবা ঐখোয় তাইবঙসিদা লাইরৈবাক শেল্লবনি। অদুবু ঙসিফাও শেম্বা ঙমদ্রি। মসিগী মরমসু কবিনা হায়রি, “পুন্সি পোৎলুমসি পুদুনা/অসুম্মক চৎপা তারি/ঐনা ঐ ওইনা লৈরিমখৈ।” (লা: ২৭) কবিনা হায়রিবসি ঐ ঐ ময়াম্না তাইবঙ শেম্বনি, ঐগী ঐগী মুন্নবনা তাইবঙ ইরাং থোকপনি। ‘ঐ’ মশক খঙনদ্রে। কবিগী মত মতুং ইন্না ‘ঐ’ হায়বসি তাইবঙ মপূগী শরুক অমনি, ‘ঐ’ বু হকচাংনা ফাজিন্দুনা থম্বনি। শিরগা ‘ঐ’ দু তাইবঙ মপূদা অদুম তিনখিনি। তেঙ্কোৎতগী হৈদোকপা ঈশিংনা ঈপাক্তা তিনখিবগুম। মসিসু লৌবা য়াবা ৱাফমনি। অদুনা কবিগী ৱাফম ময়েক শেংলকই। পুন্সি হায়বসি কৈসু নত্তে, “ঈচেন্না ঈপাক্তা তিঞ্জনীংবগী/উন-ৱাইমুক চিকপা মিৎকুপ্তো/মিৎকুপ অদুতবু ফংজনবা/নুংশিবগী লমশাং লমজেল্লকপনি।” (লা: ১৯) মসিনা তাক্লিবনা, ঐখোয়গী লান পূম্বা মিৎকুপ্তু ঙাইরিবনি। মফমদুদি খেন্নবা লৈত্রে।

য়াম্না নুংশিবা মায়কৈ অমনা কবিগী পুন্সিনা ময়ায় চল্লকপা, তুংগী লম্বী তেনশিল্লকপা মতম অসিদদা পুন্সিগী মহাও খঙলকই হায়বা ৱাফমসিনি। মসিদি লোইনমক্কীনি। মসিবু কবিনা অসুম্না শৈথারি, “চীংদোন লোম্লগা চীংথক্তা/তম্পাক্কী ফজবা উরকই/নুংঙাই মপূং ফারগা/পুন্সিগী ময়ায় খঙলকই।” (লা: ১৭) ৱাফমসি চুম্লবনি। অদুবু কবিনা নুংঙাইতবা ৱাখলনা ফুম্বংনৈ। শিগদৌরে হায়বগী ৱাবা নত্তে। তাইবঙ মপূনা পীবিরকপা মশাদা য়াওবা খূৎলাই অমতসু শীজিন্নদনা লানফমসিদগী হন্দৌরে। মদুগী নীংঙমদবনা মথমোয় চাক্লিবনি। কবিনা হায়রি, “ইবুংঙো নঙনা পীনবিরকপা/খূৎজু-খূৎলাই খুদিংমক/পুন্সিগী লানফম ময়ায়দা/মফম, মতম, মরম চানা/শীজিন্নবা ঙমখিদবনা/অথোইবা লান্মী ওইঙমখিদে।” (লা: ৬৪) ঙসিদা কবিনা মায়থীবগী মরম খঙলকপগী খুদমনি। অদুবু করিদগী ওইখিবনো হায়বদু থিরুবদা কবিনা খঙলকই, “পূক্লিংগী মনাই ওইনা হিংলুবগী/থৱায়গী অশেংবা খোঞ্জেল তারুদবগী/…থৱায়গী তরং-তরংবা মঙালদো/য়ৌরকপা ঙমখিদে কোকথকসিদা।” (লা: ৬৫) পুন্সি মশক খঙলকপগী লারবা খুদমনি।

অদুনা কবিনা হায়রি, “মশা মশাগী মতিক ময়াইবু/খঙশিন-উশিন্নদা তুমিন লৈথোক্লগা/নীংবা কায়না পুন্সিবু য়েংলবদি/কনানা নতেং পাংগে লাক্কনি।” (লা: ৪২) চুমখ্রবা ৱানি, ইশাগী ইরাইবক ইশানা শেম্বা নত্তনা কনাসু লাক্লোই। অদুনা অমুকসু কবিনা হায়রি, “মিৎ উইশিল্লগা/ইদোম অচিকপদা/পূক্লিংগী মিৎনা য়েংবদা/উগনি তেংবানবা পূম্নমক/চপ মান্ননা অমতা ওইনা।” (লা: ৩৯) তাইবঙবু অমতা ওইনা উরকপা মতমদুদনি মালেম্বু স্বর্গ ওইদৌরিবা, হায়রিবনি। পূক্লিংগী মিৎনা য়ৌবা ঙমদবা মফম লৈতে তাক্লিবনি। ঐখোয় পূম্বা ৱাখল খন্থরবদি পোকপগী কান্নবা ফংগনি হায়রিবনি।

অদুনা শৈরেং লামায় ৬৮ অসিগী শরুক অহুম থোক্লা ইরিবা ময়ামসি পারুবদা উরকই, কবি বিরেন পঙই ইবা নত্তে, পান্দম অমগী মখাদা কবিগী অরোইবা খোঞ্জেল থাদোল্লকপনি। অসিমসু মশানা খঞ্জরি, মাগী পুন্সি কদায়দগী লাকপনো মা খঙদে, মদুগী ৱাসু ৱারুদে, অদুগা চৎকদৌরিবা মফমসু মহাক খঙদে, অমম্বনি। অদু ফনা ওইদুনসু মাগী থাজবা অমনা মাবু লমজিংলি, মদুদি লম্বীদু অৱাবা নত্তে, পম্বুংদু ময়ূমদা হনবনি। নুংঙাইনা। খোম্লেন তূমখুন তানবনি মঙ মঙদনা। মাগী ৱাহৈদা, “ৱাগনু থমোয় ৱাগুমসি/অৱাবা নত্তে, খোঙচৎসি/ইয়ূম ইরানয়াইদা হনবনি/মপূগী পাউখোল লাকপনি।” (লা: ৬৭) কবিনা পুন্সি মশক খঙনা হন্দৌরি। আশা অমগা লোয়ননা। অদুদি করম্বা আশা? মথঙ মপোক্কী নুংঙাইরবা আশা। মানা হায়, “মিৎকপ থোকপা নাইদনা/খোম্লেন তূমখুল তানবনি/নুংঙাই মঙলান চুপ্তুনা/মথঙগী মপোক ঙাইবনি। (লা: ৬৭) কবিগী আশা থুংবা ওইসনু। আশা নত্তনা করিদি তৌরুনি। খঙদবা মপা লাকপনি। থাজবদা লান্নবনি। খোঙচৎনি। কপ্পা কপ্পা লাকখিবনি। শকউদবা খূৎ অমনা চিংদুনা লাকপনি। হনবসু খূৎ অদুনা চিংদুনা চৎকদৌরিবনি। ৱানীংঙাই কৈসু লৈতে হায়রিবনি।

লোইশিল্লকপদা কবিনা অদুগুম্বা শকউদবা খূৎ অদুদা হায়জে, লোম্নাই খম্নাইদ্রবা ঈচেলসিদা লুপফেৎ লুপফেৎ তাউথরিবা মাগী হিনাউসে য়ৌহনবীয়ু খূৎশেমহৈবা মাগী খুয়া খাদা। অসুম্না থৌনিজরগা লোইশিনখি।

অদুবু হায়নীংবা অমতংদি, অসুক ফজখ্রবা পুন্সিগী ঈশৈ অসিবু ঈশৈগী ছন্দ, তাল, মেন য়াংতক চৎহনখিবা অসিদি নীংঙমহৌদে। মখা ইথহন্নীংলি।

# নুংশিরকখি

**ঙরাংদো** তোম্বগী মতৈ মনাও য়াম্না খৎনখি। পোকখায়রগে খন্না ওমদুনা লৈরম্বা মৈগী চীং অদু তোম্বগী। ইমুংদা খঙহৌদনা পোকখায়খি। অতৈগী নত্তে, তোম্বগা ওফিস অমত্তদা পূন্না থবক তৌমিন্নরিবী মেমচাগী ৱাহৌদগীনি। করিদগীনো খঙদে, তোম্বগী নুপী থবাতোন অশাওবগী মিহুন কাংলম্মী। শাওবনা অসুম অসুম হেঞ্জিল্লক্তুনা মচাশিং ফাওবা তপ তাবমখৈ ফুদৎলম্মী। মমায়-মমীৎ ইপোম-পোল্লদুনা মচিন্দা চবেং-চবেং পংঙাঙদা ঙাঙদুনা মাগী নুপা ওফিস কুল্লকপা ঙাইদুনা লৈরম্মী।

তোম্বা ওফিসতগী য়ূমদা হল্লক্লম্মী অমসুং মফি মরোল হোংদোক্লে হায়দুনা মাগী কাদা চঙখিরম্মী।

- ‘করিনো মোই বাবানা হৌজিক্তদা পাখং মচা শারিববো। নচা লৈগা হায়বসে কাউখ্রবা জাৎনি’ হৈথরকই অচাকপা মৈ।

- করিনো নঙনা হায়রিবসিবো, ঐ ৱাখলগা অমত্তা তাদ্রে, তোম্বা খরা কল্লপ খুল্লকই।

- ঙসিদি অতাবী অমা ঙাঙনদবা য়াদে। ঐ য়াম্না থৱায় চাক্লিবা জাৎনি। নঙগী শাজৎ অসি ঐ সুকপাম পামদে।

- ঐনা করি তৌরবগে?

- খঙদবোয় নীংব্রা নঙগী শাজৎ, মমিৎ-মনা লাউথোক্তুনা থবাতোন্না মখা শমথরকই।

- লোৎতুনা কান্নরোই ঐ লোইনা খঙই। ওফিসকী নুপী তৌঙন্বী অমগা য়াম্না নুংশিনৈ হায়বদায়। শেলগসি য়াম্না থাংদোকই হায়বদায়। য়াম্না তোয়না কৈথেল কামিনৈ, অউবা মী কয়ানা তল্লকপদা নাকোংসে শিংজা য়ৈরে। পুশিল্লকও য়াম্না পাল্লদি, নচা ময়ামসিগা নুংঙাইনা লৈমিন্নহৌরো, ঐনা ইপামদা কোক চৎখ্রগা লোইরে।

ওফিসতগী খরা শাওনগা লাকপগা, মাগী নুপীনা ঙাঙলি-শক্লিবা ময়াম অদু তাবা ঙমদ্রদুনা মাগী মখূৎ অদুনা পোদ্রোপ-পোদ্রোপ মফম মরাং খঙদনা থাজিল্লম্মী।

- ফু নখূৎ পেন্না ফু, ঙল্লগা হাৎতোকউ। নঙনা হাৎত্রবসু ঐ ইথন্তা শিজরগদবনি।

মথৱায় নুংঙাইমন্দবনা থবাতোন ও খোংনা কপ্লম্মী।

মমা-মপাগী মতৌ অদুদা অঙাং অনীদুসু পংকপ্তা কপ্লম্মী। থবাতোন চাক-ঈশিংগা অমত্তা থোংদনা ফমুংদা চঙখ্রে।

তোম্বসু শাওনা শাওনা ফমুংদা চঙখ্রে।

খল্লি ৱাখল মওল-মওল। করিনো ঙসি থবাতোন্না তৌরিবা মতৌ অসে। ঐনা করি অরানবা তৌখ্রজাৎনো। ওফিসতা থোইদোকপা নুপী অঙাংশিংদা নত্তবা, কারল তাবা অকায়বা অমত্তসু তৌখিদ্রি। লৈমিন্নরবনিনা নোংফাদোক চামিন-থকমিন্নবা, ৱারী-ৱাতাই শামিন্নবা মশানা তাবনি। করিগুম্বা মতমদা অৱাৎ-অপা, লৈত-লায়রা মতেং পাংনবা তাবনি। ঐনা চৎলিবা, তৌরিবা খুদিংমক মঙোন্দা লোইনা খঙহল্লিবনি। নোংমা ঐনা মেমচাদা শেল খরা মতেং পাংলুই, মদুগী ওইবা তাই, মানা ঐবু শাওরিবসি। মেমচা হায়বীদুসু খরদি ঙম্বা জাৎনি। মমিৎ-ও, মনা-ও মানা হায়বদা য়াথোক্লু রিবসিসু ঐগী অশোয়বনি। মাগী মিৎয়েং-নায়েং, ৱাঙাঙ-শঙাঙদা ঐগী নুপীদা তায়নরুরিবা। নীংঙমলক্তে, করিগীনো ঐনা অসুক শাথিনা ফুবিরুরিবা। নুংশিরকখি, লাঞ্জদ্রবী মাবু।

চৎনীংদবনি, য়েংনীংদবনি মফম অদু। মনা পুংবা উপাল হৌবা, তুরেলনা থেক্লা খোইনা চেল্লিবা। ইথা থাজদনা অপূনবা ৱাখল অমনা পুরদুনা চৎলুই মফমদুদা। মফম অদু য়ৌবদা লৈতাফম খঙদে, ইঙাও ঙাওই। মাগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবা অচাকপা মৈরিনা মৈৱাইখিবা মফমনি। হেক য়েংখিবদা অশোংবা মোংশোংদা ফমদুনা ঐ লাকপা ঙাইরমগদবা মাল্লি।

অচিকপা থুগাইদুনা ঐনা কৌরুই- থবাতোন-থবাতোন। খোঞ্জেল অদু অহাংবা মালংদা তিনখিরম্মী। মদুগী মহুত্তা তুরেলগী ঈচেলদগী থোরকপা ত্রোং-ত্রোং লাউবা মখোল অমদি অসুকপা মোংশোংদগী খোঙলকপা হরিগী খোঞ্জেল নত্তনা অতৈ অমত্তা তাখিদ্রে। নীংবা কায়না ঐ মফম অদুগী অকোকপা মফম অমদা চঙশিল্লে। য়াম্না নীংঙমদবগা লোয়ননা ঐনা মৈরা অমা চুখৎতুনা য়ুংলম্মী। অদুদগী ঐ মফম অদুদগী খোঙশাল্লক্লম্মী।

ইচানুপী অতোনবীনা ঐবু তূম্বদগী হৌদোক্লম্মী - বাবা-বাবা য়াম্না থেংলে হৌগৎলো, মমানা চা লোনবা লোইরে, চা থক্লরো। তোম্বা ফমুংদগী ইফিং-ফিংনা হৌগৎলক্লম্মী। মচিন্দা শোল্লি - করিনো ঙসিগী ঐগী মঙ অসিবু। ওম্থোক্লা নুংঙাইখিদ্রেদা, করিবু থোক্লগবা।

তোম্বা হৌগৎলক্লে। মমায়-মমিৎ তাথোকপা লোইরদুনা ইরু মায়থজবা লোইখ্রে। অশোমদনা মাগী নুপী থবাতোন্না মপূরোইবা ওফিস কাবা নংননবা চাক কন্না থোংবা লাক্লরি, অঙাংশিং স্কুল চৎননবা হোৎনরি। থবাতোন ঙরাংগী থৌদোক অদু পুমকাউ হেক কাউথোক্তুনা মতম নংননবা কোয়চেন চেন্দুনা হোৎনরি। অঙকপনি নুপী ওইবীগী থম্মোয় অসিসু।

তোম্বা মফি মরোল শেৎচিনবা লোইরদুনা মথৱায় নুংঙাইত-নুংঙাইত ময়ূমদগী ওফিস কাবা থোরক্লে। থবাতোন্না হোবে-হোবে থোংজবা চাক-এঞ্জাংগা অমত্তা চাখিদ্রে। ঙরাং থোকখিবা লাঞ্জাউ অদুনা মরম ওইরগা থবাতোনসু য়াম্না নীংঙম্মকত্রে। মাসু চাক-এঞ্জাংগা অমত্তা চা-থকখিদ্রে। মাগী নুপা হল্লক্লগা লানখ্রে হায়জগে হায়বসে মহাক্কী ৱাখলনি।

অশোমদা তোম্বসু মরাল লৈতনা মাগী নুপীবু ফুবিখিবা অদুগী খনবদা ওফিসকী থবক ইনখাংদা খোইজংখিদে। লোয়ননা ঙরাং অহিংগী মঙ অদুনসু অমুক্কা হেন্না ৱাহনখি।

খরা ঙল্লপ তোম্বা ওফিসতগী কুল্লক্লে। থবাতোন শাউবা থেম্নবা হায়দুনা ঙা মচা অমসু লৈরক্লম্মী। থবাতোন মশম-মনা নান্না হাৎতুনা য়াম্না কেনা তোম্বা লাকপা মাঙ্গোলদা লেপ্তুনা ঙাইরম্মী। তোম্বা হল্লকপা উবদা থবাতোন নোকফেৎ তৌজে। থবাতোন্না নোকপগা অমত্তা য়েংলমদনা শাওশিন্নদুনা তোম্বা মাগী কাদা পরপ-পরপ চঙশিনখি।

থবাতোন্না তোম্বগী মতুং ইন্না লাক্তুনা নোক্লা-নোক্লা - ‘হৌজিক ফাওবা শাওবা ফবিদ্রিব্রা? শাওগদবদি ইনম তৎনা ফুবিরবা ঐনি’। থবাতোন মপূরোইবা ফি হোংদোকপা ঙাইরি। চাক চাথোক্লুরসি, চাক লোইরবনি ঐসু ঙসি চরা হেল্লবনি নঙনা চাক চাদনা ওফিস চৎখিবদুদা।

- কদোমদগীনো খঙদে, তোম্বা মাগী নুপী থবাতোন খঙনুং নুংশিরকই, হায়রকই-ঙসিদি নঙ য়াম্না হরাউরনি, নুংঙাইরনি। তৌঙন্বী মেমচা হায়বী ওফিসকী নুপীদুগা ঐগা লৈমিন্নররোই। ঐ ত্রান্সফর তৌরে। হৌজিক্তি নঙ কোক চীল্লরোই। অমুক হন্না ঐখোয় অনী খৎনররোই, নুংশিননা লৈমিন্নরনি। ঐদি নঙ শাওবা ফরমখিরোই খন্দুনা নঙ শাওবা থেম্লুগে খন্দুনা কৈথেলদগী ঙা মচা অমা লৈরক্লি।

- ইহে, কাউবু কাউরুরে। ঙরাং অহিংদো ঐ ওম্থোক্লা নুংঙাইখিদ্রবা মঙ অমা মঙখি। মঙ অদুনা মরম ওইরগা নঙসে নুংশিবা খঙহেন হেনগৎখি। করিগুম্বা নঙনা ঐ থাদোক্তুনা চৎখ্রবদি খনবদা ৱাদবা ঙমদে। সে, চাকখুমদা চঙলসি, ঐ ঙা শেম্না শেম্না ঙরাংগী ৱারীদো লীবিগে। মতৈ মনাও অনিদো য়াম্না নুংঙাইনা চাকখুমদা তুংথ-মাংথ চঙমিন্নখ্রে।

--দিম্ভাজিৎ